

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*বেদমিন্টন মশান্নদগী পোত্থারে হায়না লাওথোকখ্রবা মমাঙদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী চাইনাগী শান্নরোই লি জুরোই*

*ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অহুমগী টি–২০ ক্রিকেট সেরিজদা শ্রী লঙ্কাগী টিম লুচিংগদৌরিবা বোল্লর লসিথ মালিঙ্গা*

## ইন্দিয়া মেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপকী বিদতা য়াওরগনি

*লোজেন, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা য়ুম্বু ওইননবগীদমক ইন্দিয়াগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক ২ সু বিদতা তৌগদৌরি হায়না ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা নুপাগী হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অহুম্লক পাঙথোকখ্রে, অদু মখা তানা কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ১৩ দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদিসন অসিদসু য়ুম্বু ওইনিংনবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগা লোয়ননা কুমজা ২০২৩ মেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইনবগী থৌরাং তৌরিবা লৈবাক অনী অদুদি বেলজিয়ম অমসুং মালেসিয়ানি। লৈবাক অনী অসিবু য়ুম্বু ওইনবগী বিদ তৌনবা ঙাইদুনা লৈরে হায়রি। য়ুম্বু ওইবগী রাইট অদু নবেম্বর ৮ দা লেপকনি হায়না ইন্টরনেসনেল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়ানা মেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইবগী অপাম্বা ফোঙদোকপনা মরম ওইরগা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইনবগী থাজিনখিবা এপ্লিকেসন অদু হন্দোক্লে হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নুপীগী ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক লৈবাক ৫ না য়ুম্বু ওইনবগী এপ্লিকেসন পীশিনবা লোইখ্রে হায়রি।

## রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজদা ইন্দিয়াগী সচিন টেন্দুলকর অমসুং ব্রেন লারাগী মমিং য়াওরি



*মুম্বাই, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

মহারাষ্ট্রগী কোনুং মুম্বাইদা লৈবা সেন্ট রেজিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজদা ক্রিকেট লিজেন্দ ইন্দিয়াগী সচিন টেন্দুলকরগা লোয়ননা ৱেষ্ট ইন্দিজগী হেরো ব্রেন লারাসু য়াওরি।

রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি প্রোফেসনেল মেনেজমেন্ট গ্রুপ অমসুং রোদ সেফটি সেল গোভর্ণমেন্ট ওফ মহারাষ্ট্রনা পুল্লগা শীনবনি। টি–২০ টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৬ লৈগনি। টিমশিং অদুদি ইন্দিয়ান লিজেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া লিজেন্দ, সাউথ অফ্রিকা লিজেন্দ, শ্রী লঙ্কা লিজেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ লিজেন্দনি। লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ১০ শান্নগনি। লীগ মেটচশিং লোইরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেল শান্নগনি।

রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজ অসিদা ইন্টরনেসনেলগী ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থখ্রবা শান্নরোই ১১০ না শরুক য়াগনি। শান্নরোইশিং অসিনা রোদ সেফটিগী ওইবা মেসেজ কয়া অমসুং পীগনি হায়রি।

রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজ অসিগী শিনবগী মরমদি ইন্দিয়া অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা রোদ এক্সিদেন্টতা শিবা মশীং অসি খ্বাইদগী হেল্লি। খুদোংথিবা অসিদগী খরদসু কনবা ঙম্নবা টুর্নামেন্ট অসি শিনবনি হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রোদ সেফটি ৱার্ল্ড সেরিজ টি–২০ টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা খ্বাইদগী মশক নাইরবা শান্নরোইশিং অদুদি ক্রিকেট্টিং আইকোন সচিন টেন্দুলকর, ব্রেন লারা, জোন্টি রোদস, মুট্টিয়া মুরালিথরন অমসুং ভিরেন্দর সেৱাগনি।

টেন্দুলকরনা ইন্দিয়াগী সাইদ লুচিংগনি অদুগা ব্রেন লারানা ৱেষ্ট ইন্দিজগী টিম লুচিংগনি। দিলসান, ব্রেট লি অমসুং জোন্টি রোদসনা মথংশিংনা শ্রী লঙ্কান, ওষ্ট্রেলিয়ান অমদি সাউথ অফ্রিকান সাইদ লুচিংগনি হায়রি।

## ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধু য়াওনা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম অমদি সাই প্রনিথ দেনমার্ক ওপনদগী লৈহৌরে

*ওদেন্স, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা চত্থরিবা য়ু এস দোলর ৭৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা হন্দক্তা নুপীগী কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধু য়াওনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির ভর্ম অমদি সাই প্রনিথ অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।



*অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথ (ওই) অমদি পি ভি সিন্ধু*

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভি সিন্ধু মশাগী চহী ১৭ তা ঙাইরিবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌখি।

অহানবা গেম শান্নরকপদা হন্দক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অহানবা ওইবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধু য়াম্না শোত্থখি। গেম অসিদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই অন সে য়ংনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমদুনা ২১–১৪ দা লায়না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদদি সিন্ধুগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংনা হেন্না ফজবা ঙমখিবদগী গেম অদুসু য়ংনা ২১–১৭ দা থোইখিবদগী সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর টু সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফেনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোই কাইবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৪, ২১–১০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী সায়াকা টাকাহসিগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী সায়াকা টাকাহসিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিমবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৬, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রিকান্থসু অহানবা রাউন্দদা ৪শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনী ১৪–২১, ১৮–২১ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা চাইনাগী হান য়ুবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১০, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী ঝাং বৈৱেনগা লম্বা তৌনরগনি। য়ু এসকী ঝাংনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু গেম অমমম থোইনরবা মতুং অরোইবা গেম ১৩–৯ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী সুং শোকপদগী য়ু এসকী ঝাং ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

৪শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপেগী টাই ঝু য়িংবু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী মিচেল লিবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি সাই প্রনিথ অহানবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কেন্টো মোমোটাগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনী ৬–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংনা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মবু ২১–১২, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপেগী চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

চাইনিজ তাইপেগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী রুস্টাভিটোবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী সুগিয়ার্টো অমদি থাইলেন্দগী থাম্মাসিন লম্বা তৌনরগনি। ইন্দোনেসিয়াগী সুগিয়ার্টোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী ব্রাইস লেভরদেজবু ২১–১৯, ২১–১২ দা থোইরম্বনি। অদুগা থাইলেন্দগী থাম্মাসিননা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী কালজোবু ২১–১১, ১৮–২১, ২১–৯ দা থোইরম্বনি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেট্টি ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী হান অমদি ঝৌগী মখূত্তা ১৬–২১, ১৫–২১ দা মায়থিহৌখি।

## নিখট জারিননা মেরি কোমগা ট্রাইয়েল বাওট পাঙথোক্লবা স্পোর্টস মিনিষ্টরদা চিঠি ইখ্রে, বিন্দ্রনা জারিনগীদমক লেপখ্রে

*কোলকটা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট নিখট জারিননা মেরি কোমগা ট্রাইয়েল বাওট পাঙথোক্লবা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা চিঠি ইদুনা মতেং নিখ্রে, নিখট জারিনগী ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিভিজুয়েল ওলিম্পিক গোল্ড মেডালিষ্ট সুট্টর অভিনাভ বিন্দ্রনা য়ানিংবা উৎখ্রে।

মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগীদমক ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট মেরি কোমবু থাননবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা থৌরাং তৌখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগীদমক নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা ৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী মেরি কোমবু ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্তনা থানবা থৌরাং তৌরিবা অসিগীদমক মমাঙদা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লবী নিখট জারিননা য়েৎতুনা লাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক নিখট জারিন হৌখিবা ওগষ্ট ৬ অমসুং ৭ তা ন্যু দিল্লিদা ত্রাইয়েল বাওট পাঙথোক্লবগীদমক কৌখৎলকখি অদুবু মহাক্না মদু কেন্সেল তৌখি। মসিগী মতুংদা মেরি কোম ওইনা কেটেগোরি অসিদা শরুক য়ানবা থাখিবনি।

ৱারেপ অসিগী মতুংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা বোক্সরশিং ওলিম্পিক (ক্বালিফায়র) ট্রাইয়েলদা শরুক য়াবগী মথৌ তাদ্রে হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লাওথোকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, অভিনাভ বিন্দ্রানা জারিনগী ৱাফম শৌগৎলদুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ট্রাইয়েল বাওট পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়খি।

## কোনকাকেফ নেসন্স লীগতা মেক্সিকোনা পানামাবু গোল ৩–১ দা থোইখ্রে, জমাইকানা অরুবাবু ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মেক্সিকো সিটি, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

নোর্থ অমেরিকাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোনকাকেফ নেসন্স লীগতা মেক্সিকোনা পানামাবু গোল ৩–১ দা থোইখ্রে, জমাইকানা অরুবাবু ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা পানামাগী মায়োক্তা গোল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

নোর্থ অমেরিকাগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চত্থরিবা কোনকাকেফ নেসন্সকী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ এ গ্রুপ টুগী লীগ মেটচ অমদা মেক্সিকোনা পানামাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেক্সিকো অমদি পানামানা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী মিনট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। মেটচকী ২৮শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রোবার্টো অলভারাদোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা পানামাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মেক্সিকোগী শান্নরোই কার্লোস সালসেদোনা শোয়বদগী চনখিবা গোলনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিন্নবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোই জোস মাসিয়াসনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রোদোলফোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৩–১ দা মায় পাকখি।

কোনকাকেফ নেসন্স লীগ লীগ বি গ্রুপ থ্রিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জমাইকানা অরুবাবু য়াম্না হেনবা মওংদা গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী জমাইকাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা অরুবাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনট জমাইকাগী শান্নরোই চাভান্নে ৱিল্লিসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৭শুবা মিনটতা জমাইকাগী অতোপ্পা শান্নরোই মালিক ফোষ্টরনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই লামার ৱাল্করনা গোল অমগসু হাপচিনবা ঙমখি।

অরুবাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩৪শুবা মিনটতা জমাইকাগী শান্নরোই সামার নিচোলসননা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৪–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চত্থবা ঙম্লিবা জমাইকাগী শান্নরোই জুনিয়র ফ্লেম্মিংসনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা অরুবাবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা গোল ৫–০ দা মাঙজিল থাখি।

জমাইকাগী শান্নরোইশিংনা ৫শুবা গোল চনখ্রবা মতুং মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী অনীশুবা গোল চনখিবা মালিক ফোষ্টরনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৬–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা অরুবাগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি জমাইকানা অরুবাবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

কোনকাকেফ নেসন্স লীগ লীগ এ গ্রুপ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা কানাদানা য়ু এস এবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। টিম অনীমক হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবা গোল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোই অলফোন্সো দেভিসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম কুইনা অহেনবা গোল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা কানাদাগী অতোপ্পা শান্নরোই লুকাস দেনিয়েল কাভাল্লিনিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২–০ দা মায় পাকখি।

## স্বিটজরলেন্দগী ৱারিনকা য়ুরোপিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ফ্রান্সকী মোনফিল্স লৈহৌরে

*এন্টৱেৰ্প, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

বেলজিয়মগী সিটি এন্টৱের্পতা চত্থরিবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট য়ুরোপিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নম্বর ৱান সিদেদ ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।





টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজবু সেট অহুম চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৪–৭), ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমোনগা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সগী গাইলস সাইমোননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোই গেল মোনফিলস ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোই জেন্নিক সিন্নরনা ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ জর্মনিগী শান্নরোই জে এল ষ্ট্রফপু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৩শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বাটজমেন রোমানিয়াগী শান্নরোই মারিয়স কোপিলগী মখূত্তা ৪–৬, ৭–৫, ৬–৭(৪–৭) দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লানা সাউথ কোরিয়াগী সুন ৱুবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুরোপিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এসকী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জে সালিসবুরিনা ৪শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী পেয়র এস গিল্লে অমদি জে ৱ্লিয়েগেননা লম্বা তৌনরগনি।

২শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এসকী রজিব রাম অমদি গ্রেট বৃটেনগী জে সালিসবুরিনা ঙসি শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী লম্বা আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লা অমদি দিএগো স্বাটজমেন লাক্তুবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা ৪শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী পেয়র এজ জিল্লে অমদি জে ৱ্লিয়েজেননা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মেক্সিকোগী এস গোঞ্জালেজ অমদি পাকিস্টানগী কুরেসিবু ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## মালিঙ্গানা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদবা টি–২০ দা শ্রী লঙ্কা টিম লুচিংলগনি

*কলম্বো, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি)ঃ*

লসিথ মালিঙ্গানা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা মেটচ ৩ গী টি–২০ সেরিজদা শ্রী লঙ্কাগী টিম লুচিংলগনি। শ্রী লঙ্কাগী স্কৱাদ অসিদা মমাঙদা পাকিস্টানগা শান্নখিবা সেরিজদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা শান্নরোইশিংসু ওষ্ট্রেলিয়াগী সেরিজ অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

মমাঙদা পাকিস্টাননা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিদা ৱান দে ইন্টরনেসনেল সেরিজদি শ্রী লঙ্কানা থোইবা ঙমখি অদুবু টি–২০ সেরিজদি মেটচ ০–৩ দা মায়থিবা নংখি।

পাকিস্টানগা হন্দক শান্নখিবা সেরিজ অসিগী কুমজা ২০০৯ দা মতুংদা খ্বাইদগী শাংবা সেরিজ ওইরি। চহী অসিদা পাঙথোকখিবা সেরিজ অসিগী মনুং চন্না টেরোরিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেক্তা মীওই ৮ শীখি অদুগা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোই খরসু অশোক–অপন নংখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদবা টি–২০ সেরিজগী স্কৱাদ অসিদা শরুক য়াগদবা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিং অদুদি– লসিথ মালিঙ্গা (কেপ্টেন), কুসাল পেরেরা, দানুস্কা গুনাথিলাকা, অভিস্কা ফর্নান্দো, নিরোসান দিকৱেল্লা, দাসুন সানাকা, সেহান জায়াসুরিয়া, ভানুকা রাজপাক্সা, ওসাদা ফর্নান্দো, ৱানিন্দু হাসারাঙ্গা, লাক্সান সান্দাকান, নুৱান প্রদিপ, লাহিরু কুমারা, ইসুরু উদানা অমসুং কাসুন রাজিথানি।

### ক্রোসৱার্দ ৩১০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | I | D | E | D | ■ | A | P | E | R | ■ | A | C | R | E |
| S | L | A | V | E | ■ | P | A | N | E | ■ | P | L | E | D |
| E | L | L | E | N | ■ | I | D | E | A | ■ | R | O | B | E |
| A | S | I | N | I | N | E | ■ | ■ | S | L | O | G | A | N |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | O | C | C | A | S | I | N | ■ | ■ | ■ |
| C | A | N | S | ■ | R | E | L | I | E | F | ■ | E | A | R |
| A | B | E | T | ■ | ■ | ■ | E | N | S | E | M | B | L | E |
| N | O | V | A | ■ | S | L | A | T | S | ■ | O | B | O | E |
| O | V | E | R | S | E | E | R | ■ | ■ | ■ | D | E | N | S |
| E | E | R | ■ | E | R | N | E | S | T | ■ | E | D | G | E |
| ■ | ■ | ■ | D | E | P | O | R | T | E | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | T | T | I | R | E | ■ | ■ | A | D | A | M | A | N | T |
| W | H | O | A | ■ | N | E | A | R | ■ | S | O | R | E | R |
| E | A | R | N | ■ | T | A | R | T | ■ | E | L | I | T | E |
| D | I | N | E | ■ | S | U | E | S | ■ | L | E | A | S | E |